


# মনালৈবাক স্পোর্টস

**IMPHAL, MONDAY, OCTOBER 07, 2019 PAGE 7**



*ৱার্ল্ড এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী সোট ইভেন্টতা মিটর ২২.৯১ লন্দুনা গোল্ড মেডল ফংখ্রবা য়ু এসকী এঠলেট জো কোভাক্স*

*ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন মিলমেন মায়থিবা পীদুনা জপান ওপনগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রবা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিস*

## ইন্দিয়াগী বোক্সর সরিতা দেবী অমদি নন্দিনি ৱার্ল্ড ৱুমেন'স বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা মায়থিহৌদুনা লৈহৌরে

উলান–উদে, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সি)ঃ রুশিয়াগী সিটি উলান–উদেদা চথরিবা এ আই বি এ ৱুমেন'স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর সরিতা দেবী অমদি নন্দিনি মখোয়–মখোয়গী বাওটশিংদা মায়থিহৌদুনা লৈহৌরে।

নুপীগী বোক্সিং মশান্নগী কেজি ৬০ গী কেটেগোরিদা হান্না ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবী লাইশ্রম সরিতা দেবী রুশিয়াগী উলান উদেদা চথরিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা অহানবা রাউন্দ বাই ফংদুনা অনীশুবা রাউন্দ শান্নরকপদা রুশিয়াগী বোক্সর নাটালিয়া সাদ্রিনানা য়াম্না লায়না পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্বদগী চেম্পিয়ন্সিপ অসিদগী মপান থোকখি।

বাওট অসিগী অহানবা রাউন্দদা এসিয়ান গেমসকী গোল্ড মেডল ৫ রক ফংখ্রবী কেটেগোরি অসিগী ৪শুবা সিদেদ ওইরিবী ইন্দিয়াগী সরিতা দেবীনা য়াম্না হেন্দুনা পোইন্ট লৌনবা হোৎনরকখি। অদুবু পোইন্ট ফংবা ঙমদনা অহানবা রাউন্দ লোইশিনখি।

অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা রাউন্দদা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী য়ুম্থু লৈবাক রুশিয়াগী বোক্সর নাটালিয়া সাদ্রিনানা ওভরপৱার তৌদুনা ইন্দিয়াগী সরিতা দেবীবু হিরম খূদিংমক্তা লাকশিন্দুনা লাকখিবদগী বাওট অসি রুশিয়াগী নাটালিয়ানা পোইন্ট ৫–০ দা চাওনা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

পনবা য়াই, কুমজা ২০০৬ তা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর সরিতা দেবী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি। মহাক্না মখা তানা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী মেডল ফংনবা হোৎনরকখিবশিং অদু হৌজিক ফাওবা মায় পাকপা ঙমদনা লাকখিবনি।

ৱুমেন'স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়ারিবা মশাগী চহী ২০ শুরবী ইন্দিয়াগী বোক্সর নন্দিনি ঙসি পাঙথোকখিবা কেজি ৮১ গী বাওট অমদা জর্মনিগী বোক্সর ইরিনা নিকোলেট্টা স্কোনবরগরগী মখূত্তা য়াম্না শোত্থনা পোইন্ট ০–৫ দা মায়থিহৌবদগী মহাকসু ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদগী মপান থোকখি।

পনবা য়াই, নন্দিনি চান্দিগরদগী ইন্দিয়া টিমদা রিপ্রজেন্ট তৌবা অহানবা নুপী বোক্সরসু ওইবা ঙমখি।

হৌজিক–হৌজিক চথরিবা ৱুমেন'স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা বোক্সিং এসোসিয়েসনগী অহানবা এঠলেট কম্মিসনসু শেমগনি হায়রি।

চথরিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা কেজি ৭৫ তা শান্নরিবা ইন্দিয়াগী সাৱিটি বুরা অমদি কেজি ৫৪ দা শান্নরিবা যমুনা বোরা মখোয়–মখোয়গী ওপননিং বাওটশিং মায় পাক্তুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবনি।

ৱুমেন'স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী হয়েং পাঙথোক্কদবা বাওটশিংদা ইন্দিয়াগী মঞ্জু রানী (কেজি ৪৮) অমসুং মঞ্জু বাম্বোরিয়া শান্নগনি।

৬শুবা সিদেদ মঞ্জু রানীনা ভেনেজুয়েলাগী ভেন টেয়োনিস সিদেনোগা থিন্নগনি অদুগা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর মঞ্জু মাম্বোরিয়ানা ৪শুবা সিদেদ ইটালিগী এঞ্জেলা কারিনিগা থিন্নরগনি।



*ইন্দিয়াগী সরিতা দেবী (ওই) অমদি রুশিয়াগী নাটালিয়া সাদ্রিনানা থিন্নখিবা বাওট*

## জপানগী ওসাকানা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওষ্ট্রেলিয়াগী বার্টি থোইদুনা চাইনা ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে

বৈজিং, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সি)ঃ চাইনাগী কোনুং বৈজিংদা মমাঙ থাগী ৩০ দগী চথরকপা চাইনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা জপানগী নাওমী ওসাকানা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টি মায়থিবা পীদুনা নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা ৪শুবা সিদেদ জপানগী নাওমী ওসাকানা নম্বর ৱান সিদেদ ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিবু সেট ২–১ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

পনবা য়াই, জপানগী নাওমী ওসাকানা মমাঙদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা ১৬শুবা সিদেদ দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকীবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৪, ৬–২ দা থোইরম্বনি। অদুগা ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ৮শুবা সিদেদ নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সপু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৬–৩, ৩–৬, ৭–৬(৯–৭) দা থোইরম্বনি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিনা জপানগী নাওমী ওসাকাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা সেটতগী হৌরগা জপানগী শান্নরোই নাওমী ওসাকানা য়াম্না ফজনা শান্নবা ঙমখিবদগী সেট অনী অদু ৬–৩, ৬–২ দা লায়না থোইবা ঙমদুনা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

চাইনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা ৩শুবা সিদেদ ষ্টেফানোস সিটসিপাসপু সেট ২–১ দা থোইদুনা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই, নম্বর ৱান সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভপু ২–৬, ৭–৬(৭–৫), ৭–৫ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি। অমরোমদা গ্রিসকী সিটসিপাসনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা অনীশুবা সিদেদ জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভবু ৭–৬(৮–৬), ৬–৪ দা থোইরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা গ্রিসকী সিটসিপাসনা য়াম্না ফজনা শান্নবা ঙমদুনা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট শান্নরকপদা ওষ্ট্রিয়াগী থিয়েমনা গ্রিসকী ষ্টেফানোসকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইবা ঙমখিবদগী ফাইনেল মেটচ অসি সেট অমমম মান্নদুনা লাকখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেটতা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা গ্রিসকী সিটসিপাসকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌবা ঙমখিবদগী ৬–১ দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অসি লৌবা ঙমখি।

চাইনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ক্রোএসিয়াগী ইভান দোদিগ অমদি সর্ভিয়াগী এফ পোলাসেকনা ২শুবা সিদেদ পেয়র পোলেন্দগী লুকাস কুবোট অমদি ব্রাজিলগী মার্সেলো মেলোবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৩, ৭–৬(৭–৪) দা থোইদুনা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা য়ু এসকী পেয়র সোফিয়া কেনিন অমদি বেথানি মাট্টেক সেন্দসনা লাটভিয়াগী জেলেনা ওষ্টাপেনকো অমদি য়ুক্রেনগী দায়ানা য়াষ্ট্রেমস্কাবু সেট অহুম চঙনা য়াম্না কন্না লম্বা তৌনরবা মতুং ৬–৩, ৬–৭(৫–৭), ১০–৭ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।



*নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রবী জপানগী নাওমী ওসাকা*

## নেদরলেন্দসকী হাসন্না নুপীগী মিটর ১৫০০ গী গোল্ড লৌখ্রে

দোহা, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সি)ঃ কাটারগী কোনুং দোহাদা চথরিবা আই এ এ এফ ৱার্ল্ড এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা নেদরলেন্দসকী নুপী এঠলেট সিফান হাসন্না মিটর ১৫০০ গী লমজেলদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রে।

নুপীগী মিটর ১৫০০ গী ঙসি পাঙথোকখিবা লমজেল অসিদা নেদরলেন্দসকী এঠলেট সিফান হাসন্না ৩ঃ৫১.৯৫ সেকেন্দদা পন্থুং ফম য়ৌদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই, সিফান হাসননা মমাঙদা পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১০,০০০ গী লমজেলদসু গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবা অসিগা লোয়ননা চথরিবা এঠলেটিক্স ৱাল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মহাক্না ফংখিবা গোল্ড মেডল ২ শুখ্রে।

নুপাগী মরাথোন লমজেলদা ইথিওপিয়াগী এঠলেট লেলিসা দেজিয়ানা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রে। ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডল অদুসু ইথিওপিয়াগী অতোপ্পা এঠলেট মোসিনেট জেরেম্যুনা লৌবা ঙমখিবনি।

য়ু এস এগী নুপা রিলে টিম খৃষ্টিয়ান কোলমেন, জষ্টিন গাটলিন, মাইকেল রোদজর্স অমদি নোৱাহ লাইলসনা নুপাগী মিটর ৪X১০০ রিলেদা ৩৭.১০ সেকেন্দদা চেন্দুনা ইভেন্ট অসিদা লৈবাক অসিনা চহী ১২ হেন্না ফংলক্ত্রবা গোল্ড মেডল অদু লৌবা ঙমখ্রে। নুপাগী রিলে ইভেন্ট অসিদা মমাঙগী চেম্পিয়ন ওইরম্লবা গ্রেট বৃটেনগী টিম্না সিলভর মেডল লৌখি।

জমাইকানা বৃটেনবু মায়থিবা পীদুনা নুপীগী রিলে টিমগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। জমাইকাগী টিম অদুদি সেল্লি অন ফ্রেজর প্রিচ, নাটাল্লিয়াহ হ্বাইট, জোনিল্লে স্মিথ অমদি সেরিক্কা জেক্সননা নুপীগী ৪X১০০ রিলে ইভেন্ট অসিদা টিম অসিনা ৪১.৪৪ সেকেন্দদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

চথরিবা ৱার্ল্ড এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা কেনিয়াগী নুপী এঠলেট হেল্লেন ওবিরিনা নুপীগী মিটর ৫০০০ গী লমজেলদা গোল্ড মেডল লৌখ্রে। মহাক্না লমজেল অসি ১৪ মিনট ২৬.৭২ সেকেন্দদা গোল্ড লৌবা ঙমখি।




## সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্টঃ মিলানন্না জেনোৱাবু ২–১ দা থোইখ্রে, রোমা অমসুং কাগলিয়ারি ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে

রোম, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সি)ঃ ইটালিদা পাঙথোকখিবা ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মিলানন্না জেনোৱাবু গোল ২–১ দা থোইবা ঙমখ্রে, অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা রোমা অমদি কাগলিয়ারি গোল ১–১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

মিলান অমসুং জেনোৱানা শান্নখিবা লীগ মেটচ অসি হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতম লোইশিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা চনশিনবা ঙম্মদনা লাকখি।

মতম কুইনা গোল চন্নদনা লৈরুরবা মতুং মেটচকী ৪২শুবা মিনটতা জেনোৱাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা লেজে স্কোননা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা গোল শোত্থরিবা মিলানগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরক্তুনা জেনোৱাগী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীশিন্দুনা লাকখি। মিলানগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেকশিং অদুগী হোৎনজমন ওইনা মেটচকী ৫১শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোই থিও হর্নান্দেজনা গোল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৫৭শুবা মিনটতা মিলানগী শান্নরোইশিংনা পেনাল্টি অমা ফংখি। পাঞ্জল শোয়দনা ওইবা য়াবগী খুদোংচাবা অদু টিম অসিগী শান্নরোই ফ্রেঙ্ক কেসিনা গোলদা ওন্থোকখিবদগী ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা জেনোৱাগী শান্নরোইশিংদা হেন্না প্রেসর পীশিনবা হৌরকখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ৩৩ রোমগী মতম অদু শান্নরকপদা মায়কৈ অনীদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা অহেনবা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখ্রবসু মায় পাক্লবা ঙম্মখিদবদগী মেটচ অসি মিলানন্না জেনোৱাবু গোল ২–১ দা থোইরমখি।

সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচঅমদা রোমা অমদি কাগলিয়ারি গোল ১–১ দা দ্রো চৎখি। মেটচকী ২৬শুবা মিনটতা কাগলিয়ারিগী শান্নরোইশিংনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা টিম অসিগী শান্নরোই জোৱাও পেদ্রোনা গোল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

জেনোৱানা গোল চনখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা মেটচকী ৩১শুবা মিনটতা কাগলিয়ারিগী শান্নরোই লুকা সেপ্পিটেল্লিনা শোয়বদগী চনশিনখিবা গোলনা টিম অনীমক ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অপীবা মতম অদু শান্নরকপদসু মায়কৈ অনীদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্মখিদবদগী মেটচ অসি ১–১ দা দ্রো চৎখি।

স্পেনগী মকোক থোংবা ক্লবশিংগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগা ফুটবোলদা ওসাসুনানা ভিলারিয়েলবু গোল ২–১ দা থোইখি। মেটচ হৌরকপা মিনট ৫ চঙশিল্লকপদা ভিলারিয়েলগী শান্নরোই পাও টোরেজনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চন্নদনা লাকখি। অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা অহানবা মিনটতা ওসাসুনাগী শান্নরোই ফাকুন্দো রোকাগ্লিয়াগা গোল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নরকখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭৯শুবা মিনটতা ওসাসুনাগী শান্নরোই ইজেক্কেয়ল এভিলানা গোল অমা চন্দুনা মেটচ অদু ২–১ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা মাল্লোরকানা ইস্পানিওলবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ হৌরকপদা মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল চনশিনবা ঙম্মদনা লাকখি। মেটচকী ৩৭শুবা মিনটতা মাল্লোরকাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা এন্টে বুদিমিরনা গোল অমা চন্দুনা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৭৩শুবা মিনটতা মাল্লোরকাগী শান্নরোই সালভা সেভিল্লানা গোল অমগা চন্দুনা মেটচ অসি ২–০ দা মায় পাকখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা লাজিও অমদি বোলোগনা গোল ২–২ দা দ্রো চৎখি।



## ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী মমাঙ সিজনগী চেম্পিয়ন মেঞ্চেষ্টর সিটি মায়থিখ্রে, চেলসি অমসুং সাউথমতন মায় পাকখ্রে

লন্দন, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সি)ঃ ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ৮শুবা লীগ মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙ সিজনগী চেম্পিয়ন মেঞ্চেষ্টর সিটি মায়থিখ্রে, চেলসি অমসুং আর্সনেল মখোয়–মখোয়গী ৮শুবা লীগ মেটচশিং মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ৮শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচতা মেঞ্চেষ্টর সিটি ৱোলভরহাম্পটন ৱান্দরর্সকী মখূত্তা গোল ০–২ দা মায়থিবা নংখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি হেক হৌবদগী ৱোলভরহাম্পটনগী শান্নরোইশিংনা অকনবা এটেক চত্থদুনা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা খুদোংচাবা ফংবদা ৱোলভরহাম্পটন ৱান্দরর্সগী মায়কৈদা বোল পুশিন্দুনা অহানবা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু টিম অসিগী মায়কৈদগী মায় পাক্লবা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল চনশিনবা ঙম্মদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ৮০শুবা মিনটতা ৱোলভরহাম্পটন ৱান্দরর্সগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই এদামা ত্রাওরেনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপদসু গোল মাঙজিল থারিবা ৱোলভরহাম্পটন ৱান্দরর্সকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথরকখি। মেটচকী অরোইবা মিনটতা ৱোলভরহাম্পটন ৱান্দরর্সকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী অহানবা গোল চনখিবা এসামা ত্রাওরেনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ২–০ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ৮শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা চেলসিনা সাউথমতনবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী ১৭শুবা মিনটতা চেলসিয়াগী শান্নরোই টেম্মী অব্রাহমনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ২৪শুবা মিনটতা চেলসিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই মাসোন মাউন্টনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা সাউথমতনগী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীবা হৌখি।

মেটচকী ৩০শুবা মিনটতা সাউথমতনগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা দেন্নী ইংসনা গোল অমা হন্দোকপা ঙমখি। মেটচকী ৪০শুবা মিনটতা চেলসিগী শান্নরোই এনগোলো কান্টেনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্মদনা লাকখি। মেটচকী অপীবা মতম লোইগদবা মিনট ১ ৱাংলিঙৈদা চেলসিগী শান্নরোই মিচি বাটসুয়ায়িনা গোল অমা চন্দুনা মেটচ অদু ৪–১ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ৮শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচতা আর্সনেলনা এ এফ সি বোর্নমাউথপু গোল ১–০ দা থোইবা ঙমখি। আর্সনেলগী মায়কৈদগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু মেটচকী ৯শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোই দেভিদ লুইজনা চনবা ঙমখিবনি।




## জোকেভিসনা মিলমেন মায়থিবা পীদুনা জপান ওপনগী টাইটল ফংখ্রে

টোকিও, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সি)ঃ জপানগী কোনুং টোকিওদা চথরকপা এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্ট জপান ওপনগী ফাইনেল মেটচতা ৱার্ল্ড নম্বর সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন মিলমেন মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

জোকোভিস জপান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়ারকপদা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি। মহাক্না টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা য়াওবদা টাইটল লৌবা ঙমখিবা অসি হন্দক্কী অসি থারগা ১০রকশুবনি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসিদা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন মিলমেনবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেটতগী হৌরগা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা সর্ভিয়াগী জোকোভিসনা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন মিলমেনগী সার্ভিস গেম অমা ঙন্না ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা হেন্না ফজরক্তুনা জোকোভিসনা মিলমেনগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা জোকোভিস সেট অমত্তা মায়থিবা নংদনা টাইটল লৌবা ঙমখি। পনবা য়াবদি, হন্দক্কী টুর্নামেন্ট অসিনা মহাক্কী য়ু এস ওপনদা লেংজুম শোকখ্রবা মতুংদা অহানবা শরুক য়াবনি। ফাইনেল মেটচতা জোকোভিসনা য়াম্না লাকচনা শান্নদুনা চাওনা মায় পাকপা ঙমখি।

ক্রোসৱার্দ ৩০০ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | M | B | L | E | ■ | S | E | A | M | ■ | S | E | W | S |
| R | E | L | I | C | ■ | A | R | I | A | ■ | E | C | R | U |
| T | A | T | T | L | E | T | A | L | E | ■ | C | H | A | P |
| S | T | S | ■ | A | R | E | S | ■ | W | H | O | O | P | S |
| ■ | ■ | ■ | B | I | R | D | ■ | ■ | B | E | A | N | ■ | ■ |
| ■ | S | T | A | R | S | ■ | ■ | A | S | I | D | E | S | ■ |
| S | H | I | N | S | ■ | P | A | S | T | ■ | S | L | I | P |
| S | O | A | K | ■ | ■ | R | Y | E | ■ | ■ | T | I | L | T |
| T | A | R | A | ■ | S | E | E | D | ■ | C | O | O | L | S |
| ■ | L | A | C | E | U | P | ■ | ■ | H | U | R | T | S | ■ |
| ■ | ■ | ■ | C | A | R | S | ■ | ■ | D | U | T | Y | ■ | ■ |
| C | A | P | O | T | E | ■ | G | O | G | O | ■ | H | A | S |
| L | U | A | U | ■ | B | A | L | L | O | F | Y | A | R | N |
| A | T | T | N | ■ | E | V | I | L | ■ | F | E | L | L | A |
| P | O | S | T | ■ | T | A | B | S | ■ | S | T | O | O | P |